# হুইয়েন লানপাউ

Refreshingly Reliable

The messenger of the masses




যুব দিবসকী থৌরমদা মণিপুরদগী নহা ওইরিবা কলচরেল গুরুজি বিশেশ্বর শর্ম্মদা য়ুঠ পাঠশালা ফাউন্দেসন্না য়ুঠ আইকোন এৱার্দ শিন্নবগী শক্তম



পারি ইমোম কন্ন-লূপ ঙাইখোং খুলেন অমসুং খাইখোং সিফাইনা লৈকায় অদুদগী ফাগৎলকপা য়ুডৌ, লগাও মরু অমসুং লায়ুমশিং মৈ থাদুনা মাঙহনবা



শাদানবা কাঙবু অমনা ফারকপা য়াইমরপ চাউবা লাইরেন অমা ক্বাথাগী খুঞ্জাশিংনা পিপল ফোর এনিমেলসকী থৌমীশিংদা শিন্নরকপগী শক্তম



হিয়াংলম গভর্ণমেন্ট জুনিয়ার হায় স্কুলদা শকখঙদবশিংনা নারোলদা তোয়না চঙশিল্লগা স্কুলগী পোৎচৈশিং য়ৈখায়-থিনগাইবা থোকহল্লম্বগী শক্তম


Vol. 39, Issue No. 298 | শগোলশেন, ৱাকচিংগী ৫নি পানবা, | অপুনবা লমায় মশিং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Thursday, January 14, 2016, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 3.00


## অ ঈং-অশাগী পাউ

| দিষ্ট্রিক্ট | খ্বাইদগী শাবা | খ্বাইদগী ঈংবা |
|---|---|---|
| বিষ্ণুপুর | ০০.০০°C | ০.০০ °C |
| চান্দেল | ২৩.৫৪°C | ৯.৭০ °C |
| সীসীপুর | ২০.৩০°C | ৭.৯৫ °C |
| ইম্ফাল | ১৮.৮৮°C | ৬.৭১ °C |
| সেনাপতি | ১৯.৫৫°C | ৫.০৬ °C |
| তমেংলোং | ২১.৭৫°C | ৭.৮৩ °C |
| থৌবাল | ১৯.৫৫°C | ১০.২৬°C |
| উখুল | ১৮.২৩°C | ৮.৩৯ °C |
| মণিপুর | ২৩.৭৯°C | ৪.৮৮ °C |

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.১০ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৬.০২
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৪.৪২
দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট, জি ও এম

# থাঙ্গাল কৈথেলগী লম্বী ময়াইদা কৈথেল শাগৎলে

## 'কোর্টতা ৱাকৎলগনি, ঙসি নুংথিল পুং ২দগী দুকানশিং থোঙ লোন্দুনা প্রোটেষ্ট তৌগনি'



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৩ (ঐচএনএস)ঃ যুহা হাবদা অতেক-অকায় থোকখ্রবা ইমা কৈথেল অনী শীজিন্নহনখিদ্রবা তুংদা লৈঙাক্লা লৌখৎলকপা অঙকপা খোঙথাং অমদা থাঙ্গাল কৈথেলগী লম্বী ময়াইদা টেম্পরেরি মার্কেট সেদ শাবগী থবক ঙসিদগী হৌখ্রে।

করম্বা ৱার্ক এজেন্সীগী মখাদা কনাদা কন্ট্রেক্ট পীরগা থবক শুহল্লিবনো হায়বা মথোং-মরম অমত্তা খঙহৌদনা মীওই লীশিং কয়াগী ফাওন-লম্বী ওইরিবা য়াইমা ষ্টোর মপাদগী কষ্টুরি থোং মপা ফাওবা জিষ্ণু খাজিন্দুনা থমখ্রে। লম্বীগী নাক-য়েৎতা দুকান হাংদুনা লল্লোন-ইতিক তৌরিবশিং অমসুং ময়ুম ওইনা লৈরিবা মীওই অমত্তদা মাঙজৌননা ঈ-পাউ অমত্তা পীদনা লম্বী থিংজিনখিবনি।

বিলাটিমাটি, চেক, লৈঙোইনচিংবা পুরকপা গাড়ীশিং মথং মথং চঙশিল্লক্তুনা ঙসি নুমিদাংৱাইরমদগী হৌনা লম্বী ময়াইদা কৈথেল শাজিনখ্রে। অমোৎ-অকায়, উফুল-ৱাইফুল হৌদনবনি হায়দুনা শেন্মীৎলোনগী ময়োল ওইরিবা থাঙ্গাল কৈথেলগী দুকানশিং প্লাষ্টিক্লা খাজিল্লগা থবক শুরি।

থবক শুরিবশিংনা পাউচে অসিদা ফোঙদোরকপগী মতুং ইন্না থাঙ্গাল কৈথেলগী লম্বী অসিদা পরেং অহুম থোক্লা পোৎ য়োনবা য়াননবা মতম খরগী ওইবা কৈথেল শাগদৌরিবনি। থবক অসি নুমিৎ ২/৩গী মনুংদা লোইনবা শুগনি। থবক হেক লোইবগা কৈথেল নম্বর ২ অমসুং ৩দা পোৎ য়োল্লম্বা ইমা-ইবেলশিং ফমহনগনি। মসি লৈঙাক্কী অখন্নবা থৌরাংনি হায়রি।

থাঙ্গাল কৈথেলগী লম্বী ময়াইদা টেম্পরেরি মার্কেট সেদ শাবগী থবক হৌরকপা অসিদা লম্বীগী নাক-য়েৎতা দুকান ফমদুনা লল্লোন-ইতিক তৌরিবশিং অমসুং য়ুম ওইনা লৈবা মীওইশিংদদি খমথেংনা থম্মোয় শোকহল্লে।

লৈঙাক্কী থৌওং অসি য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা ঙসি ধর্ম্মশালাদা মীয়ামগী ওইবা মীফম অমা ফমখ্রে। মীফম অদুনা লৈঙাক্কী থবক থৌওং অসি থিংনবা আইনগী মতেং লৌনবা ৰারেপ লৌখ্রে। ৰারেপ অসিগা লোয়ননা হয়েং নুংথিল পুং ২দগী দুকান থোঙ লোন্দুনা প্রোটেষ্ট চথনবা ৰারেপ লৌখ্রে। করম্বা মখলগী প্রোটেষ্ট চথগদগে হায়বা পাউমীশিংদা লাউথোক্তুবসু লম্বী ময়াইদা কৈথেল শাগৎলিবসি থিংবা য়াওনা ৰাকৎ মীফম ফল্লবা যাই হায়রি। চপ চাবা ৰারেপতি হয়েং অয়ুক অমুক হন্না মীফম ফল্লগা লৌগনি হায়রি।

টেম্পরেরি মার্কেট সেদ শারিবা লম্বীগী শরুকশিং অসিগী মমাঙ অমসুং মনিংথংবদা লৈরিবা দুকানশিং অমদি য়ুমশিংগী মীওইশিংনা পুল্লগা শেমখিবা কমিটি অদুগী মীহুৎ অমা ওইরিবা ঐচ বাদন কুমারনা হায়খি, মণিপুর গভর্ণমেন্টনা প্রেসরদা চৎলগা খুদক খুদক্কী ওইবা মফম-মরাং খঙদবা থৌশীল কয়া পায়খৎপা অসি অচুম্বা খোঙথাং নত্তে। হৌজিক হৌজিক টেম্পরেরি মার্কেট সেদ শাগৎলক্লিবা থাঙ্গাল কৈথেলগী লম্বীগী শরুকশিং অসিগী মনিং অমসুং মমাঙথংবদা দুকান কয়ামরুম লৈরি। মসিগীসু মথক্তা গলি-গলিশিংদা চঙশিল্লগা লৈবা য়ুম কয়া অমসু য়াওরিবনি। য়ুমশিং অসিদা লৈরিবা মীওইশিংগী চথোক-চৎশিন তৌবদা অমদি চান-থক্লবগী ঈশিং পুথোক-পুশিন তৌবদা চাউনা খুদোংচাদবা মায়োক্লগনি। মসিগীসু মথক্তা অনা-অয়েক য়াওরকপা অমদি দিলিভরি তৌবগী মথৌ তাবা অনাবা য়াওরক্লবদি করি ফীভম ওইগনি হায়বদু গভর্ণমেন্টনা খল্লহন্নিংই।

দুকান ফল্লিবশিংগী ওইনসু ট্রান্সপোর্টেসন সিষ্টেম পুরা ফেল ওইরে। মসিগীসু মথক্তা করিগুম্বা মৈহৌ-লাংপোক থোরক্লবদি য়াম্না খুদোংথি-নিংঙাই ওইবা ফীভম অমা ওইহনগনি। অসিগুম্বা ফীভমশিং অসি খল্লবীদনা অমদি মাঙজৌননা করিগুম্বা অমত্তা খঙহল্লম্বা তৌদনা খুদক্তগী গভর্ণমেন্টনা টেম্পরেরি মার্কেট সেদ শাবগী থবক হৌহনবসিদি য়ানিংদে। মসিদি দুকান ফল্লিবা অমদি লৈরিবা ইমুং-মনুংশিংগী রাইট টু লাইফ শিংনবনি হায়না লৌই। মরম অসিনা মণিপুর লৈঙাক্লা চথরকপা মথোং হুক্তবা থবক অসি থিংনবা অথুবদা মণিপুর হায় কোর্টতা কেস অহুম থোক্লা থারগা লৈঙাক্কী থৌরাং অসি শিংনগনি হায়না মহাক্লা মখা তাখি।

# ময়াংখাংদা সী এমনা উরেপ-উয়ুং তমগদবা নুঙ অনী থুগাইরল্লে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৩ (ঐচএনএস)ঃ চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীনা ঙসি ময়াংখাংদা উরেপ-উয়ুং তমগদবা আই আই আই টি অমদি ৩৩/১১ কে ভী সব-ষ্টেসনগী মমিং-মথাশিং ইরবা নুঙ হৌখিবা অহিংদা শকখঙদবা মীওই খরনা থুগাইরল্লে।

মফম অদুদগী ফংবা পাউনা হায়, উরেপ-উয়ুং তম্বদা শীজিন্নগদবা নুঙ অনী অদু মফম অমদা খম্ব্রাংননা থল্লগা উরেপ-উয়ুং তম্নবা থৌরাং তৌরম্বনি। অদুবু খুল অনীগী মরক্তা লমগী কম্পেন্সেসন মুন্নরকপদগী উরেপ-উয়ুং তম্বদা শীজিন্নগদবা নুঙ অনী অদু থুগাইরম্বনি। থৌদোক অদু খুৎলাই পায়বা লালহৌলূপশিংনা তৌখিবা নত্তে।

উরেপ-উয়ুং তম্বদা শীজিন্নগদবা নুঙ থুগাইখ্রবসু চীফ মিনিষ্টর অমসুং মহাক্লা খোঙবু ওইমিন্নখিবশিংদি হান্না লেপখিবা মতমদা চপ চানা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টতা থুংখি। সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী ময়াংখাংদা লৈবা থাঙ্গাল জেনরেল ইকো পার্ককী ময়াদা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না খুদক্কী ওইনা শিল্লগা আই আই আই টি অমসুং ৩৩/১১ কে ভী সব-ষ্টেসনগী উরেপ-উয়ুং তম্বগী থৌরম অদু পাঙথোকখি।

মীয়াম তিনবা থৌরম অদুদা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, ফাউন্দেসন ষ্টোন থুগাইখিবদু ইমুং-মনুংদা থোকপা ৱাথোক ওইবনা মপান থোক্লা ৱা হায়বদা ঈকায়বা পোকই।

মহাক্লা হায়খি, আই টি সেক্টর অসি মণিপুরগী হৌরক্লিবা নহাশিংগা য়াম্না চুনবা অমা ওই। অদুনা নোর্থ ইষ্টতা মণিপুরবু আই টিগী হব অমা ওইহন্নবা লৈঙাক্লা হোৎনরি। লমদমসিগী নহারোলশিংদসু য়াম্না চুনরিবা অমদি থবক ফংদবগী অৱাবা কোকহনবদা অচৌবা মতেং ওইগদৌরিবা আই টি সেক্টর অসি খ্বাইদগী অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা থবক পায়খৎকনি। হকশেলগী লমদসু মেদিকেল টুরিজম অমদি টুরিজম সেক্টরনচিংবদা অহেনবা মীৎয়েং চঙগনি।

মখা লামায় ৩ কলম ২

## কমিটি শেমখ্রে

ন্যু দিল্লি, জন্যুৱারী ১৩ ঃ তরেৎশুবা পে কমিসনগী রেকমেন্দেসনশিং থবক্তা ওন্থোকপগী মতাংদা য়েংশিন্নবা কেবীনেট সেক্রেটরি পি কে সিনহানা লূচিংবা অৱাংবা থাক্কী কমিটি অমা শেমখ্রে। স্ক্রিনিং কমিটি ওইনা মথৌ তৌগদৌরিবা কমিটি অসিনা পে কমিসনগী রেকমেন্দেসনশিং য়েংশিল্লবা মতুংদা থবক্তা ওন্থোক্লবা থৌরাং লৌখৎকনি হায়না পার্লিয়ামেন্টরি এফেয়ার্স মিনিষ্টর এম ভেনকয়া নাইদুনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

## দুকান ৪ মৈ চাকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৩ ঃ ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী পাৎশোই পুলিস ষ্টেসনগী মনুংনা চনবা খুম্নোংদা দুকান মরি ঙসি নুমিদাং পুং ৭.৩০ রোম তাবদা মৈ চাকখ্রে। মৈ চাকখিবা দুকান মরি অদুগী মনুংদা গ্রোসরি ১, চিকন সেন্টর ১ অমসুং টি ভি শেন্ফম অমা য়াওরি। অতোপ্পা দুকান অমদি চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। মৈ চাকখিবা দুকান মরি অদু খুম্নোংদা লৈবা চিংঙাখম রোবিন্দ্রো কৌবা অমগী অশানবা দুকানশিংনি।

## য়ানিংদবা ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৩ ঃ হিয়াংলম গভর্ণমেন্ট জুনিয়ার হায় স্কুলদা শকখঙদবশিংনা নারোলদা চঙশিল্লগা য়ৈখায়-থিনগাইবা কয়া থোকহল্লম্বদা দেসামগী মায়কৈদগী য়াম্না কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে। তুংগী য়ুম্বীরোল ওইরক্কদবা কয়াগী পূন্সি শেমগৎফম অমদা অসিগুম্বা মথোং হুক্তবা থবক কয়া তৌবদা চেন্নবশিংনা থেংলবদা থা অসিগী ২০ ফাওবগী মনুংদা দেসামদা চঙজরক্কদবনি হায়রি।

## লাইরেন শিন্নরক্লে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৩ ঃ শাদানবশিংনা ফারকপনি হায়বা লাইরেন অমা ক্বাথা খুলগী মীয়াম্না পিপল ফোর এনিমেলস মণিপুরগী থৌমীশিংদা শিন্নরকখ্রে। মোরেদা পোষ্টিং তাবা ক্বাথাদগী ক্ষেত্রিময়ুম বুরেন অমদি তখেল্লম্বম রঞ্জিৎনা মরুওইবা থৌদাং লৌদুনা লাইরেন অদু খুৎশিন্নরকখিবনি হায়না পিপল ফোর এনিমেলসকী মেনেজিং ট্রষ্টি বিশ্বর্জিৎ লৌরেম্বমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

# শগোল কাংজৈ শান্নবগী মিতম খিন্নবা লুপা ক্রোর ১২ সেঙ্কসন তৌরে : এন বিরেন

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৩ (ঐচএনএস)ঃ শগোল কাংজৈ হৌরকফমগী য়াম্না মরুওইবা মফম ওইরিবা হৈঙাং চীংগী মার্জিংগী মশাইকোন্দা শগোল কাংজৈ শান্নবগী মিতম খিন্নবা লুপা ক্রোর ১২ সেঙ্কসন তৌরে হায়না এম এল এ নোংথোম্বম বিরেননা ইবুধৌ মার্জিং পোলো টিম হৈঙাং পানা হৌদোকপগী থৌরমদা ফোঙদোকখ্রে।

ইবুধৌ মার্জিং খুভম কনবা লূপনা শীন্দুনা ঙসি ইবুধৌ মার্জিং কমপ্লেক্স হৈঙাং চীংদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা এম এল এ, এন বিরেননা হায়খি, হৈঙাং চীংদা শগোল কাংজৈ শান্নবগী মিতম অমা খিন্নবগীদমক ষ্টেট ফন্দদগী লুপা ক্রোর ১২ সেঙ্কসন তৌবগী অয়াবা লৈরে। মিতম অসি খিন্নবগী থবক পায়খৎলকপা মতমদা ফোরেষ্ট ক্লিয়ারেন্সনচিংবা মথৌ তাই। অহানবা তাঙ্কক্কী ফোরেষ্ট ক্লিয়ারেন্সকী অয়াবা লৈরগনি। মিতম অসি খিন্নবগী থবক পায়খৎলকপা মতমদা কনাগুম্বা খরনা অয়েৎপা পীরক্লি। অসিগুম্বা থৌওং অসি মীয়ামগী ওইনা লাইবক থিবনি। মীয়ামগী ওইবা চাউখৎ থৌরাংগী থবক পায়খৎলকপদা অপনবা পীবগী মহুত্তা থবক ওন্থোক্লবা হোৎনবদা শৌগৎপীরবদি অফবা ওইগনি।

মালেমদা শিংথানরিবা শগোল কাংজৈ হায়রিবা মশান্না অসিগী হৌরকফম মণিপুরনা ওইরিবনি। শগোল কাংজৈগী য়াম্না মরুওইবা মফম অমা ওইরিবা ইবুধৌ মার্জিংগী মফম অসিদা শগোল কাংজৈবু তুং কোয়না নীংশিংহৌবা য়াগদবা মিতম অমা খিন্নবা থৌরাং পায়খৎলকপা অসিদা মীয়ামগী সপ্পোর্ট চঙই। ইবুধৌ মার্জিংগী মিংদা মতম শাংনা শগোল কাংজৈগী ওইবা টিম অমফাওবা পুথোকপা ঙমদনা লাক্লি। ঙসিদি ইবুধৌ মার্জিং পোলো টিম অসি হৌদোক্লে। ইবুধৌ মার্জিং পোলো টিমগী শান্নরোয়শিংগী প্রেক্টিস তৌফম লম্পাক অমসু ঙসি হাংদোক্লে।

ইবুধৌ মার্জিং পোলো টিম হৈঙাং পানানা শগোল কাংজৈগী লমদা মাঙজিন থানা চঙশিল্লক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ। য়াম্না মমিং লৈবা পোলো টিম অমা ওইহনবা ঙম্নবগীদমক ঐখোয় পুম্নমক্লা হোৎনমিন্নসি। হৈঙাং চীং ইবুধৌ মার্জিংগী মফম অসিদা মমাঙদা ...

মখা লামায় ৩ কলম ৪

# চীং-তম খায়দনা চাউখৎহন্নবা হোৎনরি : ও ইবোবী

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৩ (ঐচ এন এস)ঃ ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা সেকমাই অমদি সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা সাইতু গম্ফাজোলদা পৱারগী ৩৩/১১ কে ভী সব-ষ্টেসন অমমম অমসুং সাইতু গম্ফাজোল অসিমক্তদা শাবা এস দি ও ওফিস কমপ্লেক্স অমা চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীনা ঙসি শঙ্গাখ্রে।





সাইতু গম্ফাজোল গাম্মোম সপরমৈনাদা পাঙথোকপা মীয়াম তিনবা থৌরম অমদা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, চীংগী মনুং হঞ্জিনবা মফমশিংদা অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা সিবিল এদমিনিষ্ট্রেসনগী কান্নবা ফংহন্নবা অমসুং চীং-তম খায়দনা চপ মান্ননা চাউখৎহন্নবা মহাক্কী লৈঙাক্লা কন্না হোৎনরি।

লৈঙাক্লা পায়খৎলিবা চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং অসি মীয়ামগী মতেং য়াওদনা মায় পাকপা ঙল্লোই। মরম অসিনা চাউখৎ থৌরাংগী থবক্তা অমদি মীয়ামগী লন ওইবা পোৎশিংদা য়ৈখায়-থিনগাইবা পীবিদনবা মীয়াম্না ঙাক শেনবীয়ু হায়নসু চীফ মিনিষ্টরনা আপিল তৌখি।

চীংগী লমদা ৱাটর সপ্লাই স্কিম ময়াম পায়খৎপদা তোঙান তোঙানবা মায়কৈদগী অপনবা পীরকপনা লোইশিনবা ঙমদনা লৈরি। নেসনেল হায়ৱে অসি সেন্টরগী সরফেস ট্রান্সপোর্টকী মখাদা লৈবনি। লম্বী অসি মখোয়না শেমজিন-শাজিনগদবনি। মরম অদুনা মীয়াম্না লম্বী শেন্বীদে হায়দুনা হেক্তা বন্দ ব্লোকেদ তৌবসি তৌবীগনু। ষ্টেটকী ফন্দদগী মাওদগী মরাম অমদি মরামদগী সেনাপতি হেদক্বার্টর ফাওবগী নেসনেল হায়ৱেগী শরুক অসি লুপা ক্রোর ১০ রোম চঙনা শেম্নবা থবক পায়খৎপা হৌরকপদা...

মখা লামায় ৩ কলম ৪

# মচানা মপা তোক্লা থোমদুনা হাৎখ্রে

ককচীং, জন্যুৱারী ১৩ (ঐচএনএস)ঃ ককচীং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা হিয়াংলম ৱাইখোম লৈকায়দা মথন্তা পোকপা মচানুপানা অপোকপা মপা তোক্লা থোমদুনা হাৎখ্রে। মীহাৎপা মচানুপা পুলিসনা ফারে।

লৈখিদ্রবা অপোকপা মপাদুগী মমিং হুইদ্রোম ইঙো এলিয়স নবচন্দ্র (৫৬) অপোকপগী মিং লৈখিদ্রবা নিংথেম-জাও কৌই। মহাক হিয়াংলম ৱাইখোম লৈকায়দগীনি। মপা হাৎলে হায়রিবা মচানুপা অদুগী মমিংনা হুইদ্রোম নরেন্দ্র (২৫) কৌই। ভী দি এফকী পর্সনেলনি। হৌজিক হৌজিক হিয়াংলম আউট পোষ্টতা পোষ্টিং তাই হায়রি।

থৌদোক অসি ঙরাং নুমিদাংৱাইরম থোকখিবনি। ঙরাংগী থৌদোক অদু ঙাইহাক লৈতনা ইমুং অসিদা খৎন-চৈনবগী থৌদোক থোকপা মরম্না মীয়াম্নসু থোইনা লুম্না লৌনখিদে। ঙসি অয়ুক হুইদ্রোম ইঙো এলিয়স নবচন্দ্র লৈত্রে হায়দুনা হোস্পিটালদগী পুথরকখি। কমদৌনা মহাক লৈখি-দবনো হায়না লৈকায়গী মীওইশিংনা থিগৎনরুবদা ঙরাং নুমিদাংৱাইরম থোকখিবা খৎন-চৈনবগী থৌদোক অদুদা মচানুপানা তোক্লা থোম্বদগীনি হায়বা খঙনরকখি।

খুদক্তা মীয়াম হৌরক্তুনা ককচীং পুলিস ষ্টেসন্দা মচানুপানা মপা হাৎলি হায়দুনা ৱাকৎখি। ৱাকৎ অদু লাকখ্রবা তুং মীয়াম হৌরকপদগী মীহাৎপদা চেন্নৈ হায়রিবা নরেন্দ্র ঙসি নুংথিল ককচীং পুলিসতা চঙজখ্রে। অশিবা হকচাং অদু পোৎলোইদনা লৈরি।

অমরোমদা, লমজিং মৈরা ক্লবকী লম্পাক্তা ঙসি নুমিদাংৱাইরম মীয়ামগী ওইবা মীফম অমা ফমখ্রে। মীফম অদুনা মীহাৎপদা চেন্নরিবা নরেন্দ্র মপূন্সি চুপ্পগী ওইনা লৈকায়দগী তান্থোকপা অমসুং মহাকপু চঙজফম পীদবা হায়না ৱারেপ লৌখ্রে।

# 'চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা মথৌ তৌরিবা কোন্ট্রেক্ট ওজাশিং রিগ্যুলর তাহন্দ্রবদি খোঙজং চঙশিল্লগনি'

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৩ (ঐচএনএস)ঃ হিল দিষ্ট্রিক্ট কোন্ট্রেক্ট বেসিস টিচর-২০০৬ বেজগী ওজাশিং রিগ্যুলর তাহন্নবা লৈঙাক্লা মীৎয়েং চঙদ্রবদি থা অসিগী ২২দগী মখল-মখা কয়াগী খোঙজং চঙশিনবা হৌরগনি হায়না ওল নাগা ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন মণিপুর (অন্সম)গী প্রসিদেন্ট সেথ শামনা পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

ট্রাইবেল রিসার্চ ইন্সটিট্যুট (টি আর আই) চীংমৈরোংগী হোলদা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা অন্সমগী প্রসিদেন্ট সেথ শামনা হায়খি, কুকি ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন (কে এস ও) জেনরেল হেদক্বার্টর অমদি অন্সমগী মায়কৈদগী মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরদা মেমোরেন্দম অমা পীশিন্দুনা কুমজা ২০০৬তা হাপখিবা চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংগী কোন্ট্রেক্ট ওজাশিংগী রিগ্যুলর তাহন্নবা ৱাফম খঙহনখি। অদুবু হৌজিক ফাওবা মীৎয়েং অমত্তা চঙলক্ত্রি। থা অসিগী ২১ ফাওবগী মনুংদা হীরম অসিগী মতাংদা মীৎয়েং চঙলক্তুবদি অকনবা খোঙজং কয়া মথংগী নুমিৎতগী চঙশিনবা হৌরগনি। মসি ফাওবদা লৈঙাক্লা মখা তানা মীৎয়েং চঙলক্তুগদি হেন্না কনবা খোঙজংশিং লেপ্পুনা চঙশিনগনি।

কুমজা ২০০৬তা কোন্ট্রেক্ট বেসিসতা হাপখিবা চীংগী দিষ্ট্রিক্টকী ওজাশিং অসি মতম শাংনা অৱাবা খাঙদুনা লাক্লবনি। কুমজা ২০০৬তগী ২০০৮ ফাওবদি ওজাশিং অসি সার্বিস এক্সটেন্সন তৌবগা লোয়ননা তোলোবনচিংবসু পীরম্মী। অদুবু কুমজা ২০০৮গী মতুংদগীদি সার্বিস এক্সটেন্সনসু তৌখিদ্রে, তোলোবসু পীবিদ্রে। চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংগী তোঙান তোঙানবা স্কুল কয়াদা ওজাশিংগী অৱাৎপা লৈবনা কুমজা ২০০৬তা কোন্ট্রেক্ট বেসিসতা হাপখিবা ওজা ৭৭২ অসি ঙসি ফাওবা মথৌ তৌদুনা লৈরি। তোঙান তোঙানবা স্কুলশিংদা ওজাশিং অসি লাইরিক তাকপীবগী থবক চথুদুনা লাক্লি।

চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা লৈরিবা স্কুলশিংগী অৱাৎপা ওজাশিং লৈবনা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরি। কোন্ট্রেক্ট ওজাশিং অসি স্কুল স্কুলশিং অদুগী অকোয়বগী মীয়াম অমদি স্কুলশিংনা শেল খরা খরা মতেং পাংনরগা মখা তানা মথৌ...

মখা লামায় ৩ কলম ৪

# রিলিফ ফন্দা তেংবাঙনবা ৱার্কর য়ুনিয়ন্না ঙসি চা য়োনগনি : ৱুম

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৩ (ঐচএনএস)ঃ ৱার্করস য়ুনিয়ন মণিপুর (ৱুম)গী ভল্যুন্টিয়ার ৪০ রোম্না হয়েং নুংথিল পুং ১ তাবদগী খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা চা য়োনগনি অমসুং মদুদগী ফংলকপা শেনফম অদুগী তঙ্খায় অমা হন্দক্তা যুহা হাবদা অৱা-অনা তারবশিংগী মতেং পাংনবা চীফ মিনিষ্টরগী রিলিফ ফন্দা মতেং পীগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা ঙসি ৱুমগী ভলুন্টিয়ারশিংনা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা য়ুনিয়ন অসিগী প্রসিদেন্ট কৈথেল্লাকপম লন্দন্না পাউমীশিংদা হায়খি, হয়েং অয়ুক পুং ১০.৩০ দগী জেনিমসকী ব্লদ বেঙ্কতা ব্লদ দোনেস কেম্প অমা হান্না পাঙথোক্কনি অমসুং হন্দক্তা যুহা হাবদা অশোক-অপন নংখ্রবশিংনা শীজিন্নবা ৱার্করস য়ুনিয়ন্না ব্লদ দোনেসন তৌগদৌরিবনি।

মতুং তারকপদা নুংথিল পুং ১ তাবদগী ৱুমগী ভলুন্টিয়র ৪০ রোম্না ইমা কৈথেল অহুমগী অকোয়বা, থাঙ্গাল কৈথেল, পাওনা কৈথেল অমসুং বি টি রোডনচিংবদা চা য়োনগনি। চা য়োল্লকপদগী ফংলকপা শেনফম অদুগী তঙ্খায় অমা যুহা হাবনা অৱা-অনা তারবা অমসুং অশোক-অপন নংখ্রবশিংদা মতেং পাংনবা চীফ মিনিষ্টরগী রিলিফ ফন্দা কৎকনি।

মসিদসু নত্তনা ৱুমগী অপুনবা মেম্বর ১৪০ রোম লৈরিবসিগী নোংমগী খুৎশুমল তঙ্খায় অমসু চীফ মিনিষ্টরগী রিলিফ ফন্দা কৎকনি। চা য়োনগদৌরিবা অসিদা মীয়াম্না পুক্লিং থৌগৎপীয়ু। চা য়োনবগী মিংদা নম্ফুদা দোনেসন লৌগদবা নত্তে। চা থকপীনিংবা অমসুং মতেং পাংবীনিংবশিংনসু চাগী মমলতমক পীবিয়ু হায়না মখা তাখি।

## FOREX (INDIA RUPEES)


| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 72.558852 |
| US Dollar | 66.883212 |
| British Pound | 96.432685 |
| Australian Dollar | 46.843338 |
| Chinese Yuan | 10.171664 |
| Japanese Yen | 0.567749 |
| Malaysian Ringgit | 15.259621 |
| Nepalese Rupee | 0.646183 |
| Russian Ruble | 0.875814 |
| Singapore Dollar | 46.543271 |
| South Korean Won | 0.055362 |
| Bangladesh Taka | 0.85300 |
| Myanmar Kyat | 0.05142 |
| Thailand Baht | 1.841506 |

**Spot Gold (24K) Rates/10gm**

| | | |
|---|---|---|
| Chennai | – | Rs 26,390 |
| Delhi | – | Rs 26,360 |
| Kolkata | – | Rs 26,420 |
| Mumbai | – | Rs 26,350 |

## অস! লোইরেহে!

যুনিয়ন মিনিষ্টরশিংগী থৌগলদা লৈঙাকসি ৱাখল চোইরে...!



পেকেজ য়াওরকপা ওইরদি ফবা...!

# ওর্গানিক ফার্মিংদা থৱায় য়াওশিল্লসি: এম কে কুন্দারিয়া

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৩ (ঐচএনএস)ঃ লৌউ-শিংউবনা মরু ওইবা শিনফম ওইবা লৈবাকসিদা লৌমীশিংগী য়াইফনবা পোলিসী-প্রোগ্রাম কয়া সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা পায়খৎপা হৌরে লোয়ননা লৌমীশিংনা কেমিকেলগী ওইবা পোৎলম শীজিন্নদুনা চাথোক-হেনগৎহনবগী থৌওং থাদোক্তুনা ওর্গানিক ফার্মিংদা থৱায় য়াওশিল্লসি হায়না মোহনভাই কল্যানজিভাই কুন্দারিয়ানা হায়খ্রে।




আই সী এ আর রিছার্চ কমপ্লেক্স ফোর নোর্থ ইষ্ট হিল রিজন, মণিপুর সেন্টর, ইম্ফালনা শীল-লাংদুনা পাঙথোকপা ৪১শুবা ইন্সটিট্যুট ফাউন্দেসন ডে কম ফার্মরস ফেয়র হৌদোকপগী থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা মোহনভাই কল্যানভাই কুন্দারিয়া, য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট, মিনিষ্ট্রি ওফ এগ্রিকলচর এন্দ ফার্মরস ৱেলফেয়র, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, লৈবাক অসিগী চাউখৎপগী খুমাঙ চাউশিনবা হায়বদু চীঙ্গাক্কী মীপান তাংদ্রবা মতমদা লাক্কনি। লৈবাক অসিনা সাইন্স অমসুং টেক্নোলোজিগী ওইবা হীরম কয়াদা চাউখৎলবসু ষ্টেট খরদা মশাগী চীঙ্গাক্কী পোথোক মথৌ তাবদগী হন্থনা পুথোকপা য়াওরি। অৱাৎপা পোথোক চাথোকশিং অসি মেনখৎপা ঙম্নবা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা এগ্রিকলচরগী অনৌবা পোলিসীশিং শেম্নবা হোৎনরি।

লৌউ-শিংউবগী পোথোক হেন-গৎহনবদা...

মখা লামায় ৩ কলম ২

H/L-P/7357/15/12-14/01,2016




ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১, ২৪৪৫১০৪ অমসুং বিদরস ক্লেব নম্বর +৯১-(০)-৯৮৫৬৫৯৪২৬২